# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-06-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা দি.জি.পি রাজিভ সিংহ্ অমদি সেকু্যরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ্গা ঙরাং উন্নদুনা মণিপুরগী সেকু্যরিতিগী মতাংদা ৱা খন্নখ্রে।

২) জিরিবামগী তাইনবা তমেংলোং জিলাগী ফাইতোল ভিলেজগী চীংশাংদা আইন কায়না শারম্বা বঙ্কর ৬ সেকু্যরিতি ফোর্সনা থুগাইখ্রে।

অমসুং

৩) ১০ শুবা মালেমগী যোগ নুমিৎ ঙসি পাক শন্না পাঙথোকরি।

**------**

রাজ্যপাল (এল) ঃ রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা রাজ্যগী দাইরেক্তর জেনেরেল ওফ পুলিস রাজিভ সিংহ্গা ঙরাং ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নদুনা মণিপুরগী সেকু্যরিতিগী মতাংদা ৱা খন্নখ্রে।

মীফম অদুদা দি.জি.পিনা জিরিবাম জিলাদা থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা রাজ্যপালদা পাউদমখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা জিলা অসিগীদমক সেন্ত্রেল ফোর্সকা লোয়ননা রাজ্য পুলিসনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পাউদমখি। রাজ্যপালনসু দি.জি.পিদা মণিপুরগী মীয়াম অমদি মীয়ামগী লন থুমশিং চেকশিন্না ঙাকবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মণিপুর মীয়ামগী লাইফ লাইন ওইরিবা নেসনেল হাইৱে অনিদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা অকনবা

চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা ৱাফমসু থমখি।

রাজ্যপালনা মখা তানা দি.জি.পিদা হিংশাগী থবক্তা চেন্নবা খুদিংমক্কী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা কাংপোকপী, তেংনৌপল, চুরাচান্দপুর অমদি অতৈ তম্পাক্কী জিলাশিংদা লৌখৎফম থোকপা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবসু খঙহনখি। অদুগা জিরিবামগী থৌদোক অদুনা লাঞ্জেন্নরিবশিংগী পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা ৱাফমসু খঙহনখি।

অমরোমদা, রাজ্যপালগা সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহগসু ঙরাং রাজ ভবনদা উন্নদুনা রাজ্য অসিগী ওইরিবা সেক্যুরিতিগী মতাংদা মরুওইনা জিরিবাম জিলাগী লৌখৎলিবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্নখি।

শ্রী কুলদিপনা রাজ্যপালদা জিরিবামদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা সেক্যুরিতিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে, পামদবা থোরকপা য়াই হায়বা মফমশিংদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্স থমদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি হায়বা ৱাফম থমখি। রাজ্যপালনা রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎনবা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎলু হায়বা ৱাফম সেক্যুরিতি এদভাইজরদা খঙহনখি।

পুলিস (এল) ঃ জিরিবামগী তাইনবা তমেংলোং জিলাগী ফাইতোল ভিলেজগী চীংশাংদা আইন কায়না শারম্বা বঙ্কর ৬ সেক্যুরিতি ফোর্সনা থুগাইখ্রে।

মণিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লেপ্তুনা লৌখৎলি। ইরাং থোকনবা অমদি চীংগা তাইনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখ্খরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- অহানবা মণিপুর রাইফলস বত্তাল্লিয়ন হেদক্কাটরদা ইন্দিয়ান আর্মি থমদুনা অনৌবা বঙ্করশিং শাজিল্লে অমদি মসিদা চংথোক চংশিনদা অথিংবা কয়া লৈরে হায়না সোসিয়েল মিদিয়াদা শন্দোক্লিবা অসি অরানবা ৱাফমনি। হায়রিবা বঙ্করশিং অসি বত্তাল্লিয়ন অসিগী হান্নদগী লৈবা বঙ্করশিংনি। বত্তাল্লিয়ন অসিগী মেন গেটতা হান্নদগী হৌনা অখন্নবা

রেঙ্ককী ওফিসারশিং নত্তনা মী অতৈ চংবদা অথিংবা থমদুনা লাকপনি।

নেসনেল হাইৱে নম্বর থার্তিসভেন ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ৯৩ অমদি নেসনেল হাইৱে নম্বর-টু ইম্ফাল-দিমাপুরদা লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ২৮১ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল্লোমদা চংলকখ্রে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

জিরিবাম (এল) ঃ জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা কোনবা মফমশিংদা ঙসিগী ওইনা অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ১ মখায় ফাওবা করফিউ কোমথোক্লি। অদুমওইনমক, হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মী পুনবা, ৱাকৎ মীফম ফম্বা অমসুং রেল্লিনচিংবা চৎপদি য়ারোই।

হিয়াংথাং (এল) ঃ হিয়াংথাং লাইরেম্বী ইমাগী মন্দির থা অসিগী ২৫ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হাংলগনি হায়না হিয়াংথাং লাইরেম্বী দিভলপমেন্ট সেবা কমিতিগী মাইকৈদগী খঙহল্লি।

সেনাপতি (এল) ঃ সেনাপতি জিলাদা চাক থোংনবা গ্যাস ফংলক্তবগা মরী লৈননা ফমখিবা অপুনবা মীফমনা এল.পি.জি গ্যাস ফংহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমীনা হায়- থা অসিগী ১২ অমদি ১৪ দা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা সেনাপতি গ্যাস এজেন্সিশিংগী এল.পি.জি পুরকপা ত্রক ড্রাইভরশিংবু ফারগা শেলগী দিমান্দ তৌরকখিবনি। মসিদগী জিলা অসিদা চাক থোংনবা গ্যাস অসি ফংলক্তবনি। তুংদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন অমদি কে.এস.ও সদর হিলস য়াওনা সেনাপতি অমদি কাংপোকপী জিলাগী গ্যাস এজেন্সিশিংগী এসোসিয়েসনশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা হায়রিবা থৌওংশিং অসি অমুক হন্না চথহল্লরোই হায়না কে.এস.ও সদর হিলসনা থাজবা পীখি। লোয়ননা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন্নসু এল.পি.জি ত্রক ড্রাইভরশিং অশোই অঙাম থোক্তনবা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীখি।

ফুটবোল (এল) ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী কাংশোইবী মপালদা চথরিবা অহানবা রাজ্য থাক্কী লাইরেঞ্জম সনাতোম্বী লৈমা মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ইং ২০২৪ গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা কে.এন.কে-এফ.সি কৈবুলনা লিজেন্দ এফ.সি মোইরাংবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

যোগ (এল) ঃ ১০ শুবা মালেমগী যোগ নুমিৎ ঙসি পাক শন্না পাঙথোকরি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী ৱাখল্লোনদি- যোগ ফোর সেল্ফ এন্দ সোসাইতি হায়বসিনি। য়ুনাইতেদ নেসন্স জেনেরেল এসেমব্লিগী ৬৯ শুবা সেসনদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা প্রস্তাব তৌবদগা নুমিৎ অসি য়ুনাইতেদ নেসন্সনা ইন্তরনেসনেল ডে ওফ যোগ হায়না পালন তৌবা হৌরকখিবনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না রাজ্য অসিগী মীয়ামদা পাউজেল পীরক্লি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মালেমগী লৈবাক কয়াদা যোগবু হেন্না পামহন্নবা অমসুং মীওই কয়াগী পুন্সিদা যোগ নুমিৎ খুদিংগী শান্নহন্নবা পাদমদা পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি। যোগনা হকচাং ফনা অমসুং হৌজিক্কী মতমদা থেংনরিবা পুকিং ৱাখল লাংতকবা কোকহনবদা চাউনা মতেং ওইরি।

অমরোমদা, নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা থা অমা চুপা যোগ এৱারনেস দ্রাইভ অমা পাঙথোকখ্রে।

কেজ্রিৱাল ঃ দিল্লিগী কোর্ট অমনা মুখ্য মন্ত্রি অরবিন্দ কেজ্রিৱালবু ঙরাং বেল পীখ্রে।শ্রী কেজ্রিৱাল লুপা লাখ ১ গী বেল বোন্দ পীরবা মতুংদা হয়েং তিহার জেলদগী থোরকপা য়ারগনি।

দিল্লি লিকর পোলিসি কেসকা মরী লৈননা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেটনা শ্রী কেজ্রিৱালবু হৌখিবা মার্চ ২১ দা ফাখিবনি। লোক সভা মীখলগী য়েংলগা মে থাদা সুপ্রিম কোর্টনা মহাকপু ইন্টেরিম বেল পীখিবনি। মদুগী তুংদা থা অসিগী ২ দা মহাক অমুক হন্না সরেন্দর তৌখিবনি।

স্পিকর ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লোক সভাগী সদস্য ভারত্রুহরি মহেতাফপু লোক সভাগী প্রোটেম স্পিকর হাপখ্রে। অধ্যক্ষগী মীখল পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবা মহাকা ফম অসি পুনবা খনখিবনি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়- রাষ্ট্রপতিনা লোক সভাগী সদস্যশিং- শুরেশ কোদিকুনিল, থালিকোতাই রাজ্থেবর বালু, রাধামোহন সিংহ, ফগন সিংহ কুলাস্তে অমসুং সুদিপ বন্দোপধ্যায়বু ১৮ শুবা লোক সভাগী অধ্যক্ষগী মীখল পাঙথোকপা অমসুং নৌনা কারক্লবা সদস্যশিং ৱাশক লৌবগী থৌরমদা প্রোটেম স্পিকরবু মতেং পাংনবা খনখি।

ক্রিকেট ঃ য়ু.এস.এ অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা নুপাগী টি-ত্বেন্তি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপতা ঙরাং ভারতনা অফগানিস্থানবু রন ৪৭ তা মায়থিবা পীখ্রে। হান্না বেত্তিং তৌখিবা ভারতনা অপিবা ওভরদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৮১ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা আফগানিস্তান্না রন ১৩৪ খক্তমক লৌবা ঙমখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফমদা- সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সি.এ.পি.এফ) কম্পনি ৫০ থমবা মফম লাউথোকখ্রে, লুপা কোতি ৫৬ হেন্না চংনা সেক্যুরিতিশিংনা লৈগদবা মফমশিং শেমগৎকদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা- মৈ থাবসু লেপতে, পুলিসতা কাপশিল্লকপসু লেপতে, জিরিবামদা সেক্যুরিতিগী চ্যেক পোইন্ট মৈ থারগা কম্মান্দোগা কাপ খ্রে, কাংপোকপীদা ত্রক মৈ থাখ্রে হায়না ফোতোগা কোন্ননা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মণিপুরসু জম্মু এন্দ কাশ্মীর ওল্লক্দৌরিব্রা হায়বা কলর হেদলাইন অসিগী মখাদা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং পাক্তকনা দিপ্লোই তৌনবা হোৎনরকপগী মায়োক্তা মহৈরোইশিং অমসুং মীয়াম হৌরকখ্রে। শিংজমৈ

পি.এসতা লৈনবা লাকখিবা সি.আর.পি.এফশিং মৈরা পায়বীশিংনা থৎলগা হলহনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজদা- জষ্টিস পীনবা হোৎনবদা সুপ্রিম পৱার ওইরম্বা জজশিং কাংলুপকী ইরাংনা শক্তি য়াওদ্রে, থৱায় হিংনবা পেরা মিলিটরি ফোর্সকী কেম্পতা খবর থারগা তুমখি, পোলিথিন বেগতা চাক চাখি হায়বা জজ লনখনপাউ তোনসিংগী ৱাফম এনকর কলমদা ফোংলি।

সনালৈবাক্তা- ম্যান্মারদগী মীতোপ চংলকপগী ৱাফম ইন্দিয়ানা য়ু.এনদা পুখৎখ্রে, মীতোপশিংনা ত্রান্সনেসনেল ক্রাইম চখদুনা ইন্দিয়াদা চাউনা শিংনরক্লে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- জিরিবাম জিলাদা এ.আর. অমদি ষ্টেট পুলিসনা ফ্লেগ মার্চ চৎখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- জ্ন ২৭ তা সি.এম দিল্লিদা চৎকদৌরি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর, অতৈ মিনিষ্টর খরসু উন্নরবা য়াই হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মাস কোম্বিং ওপরেসন চখনবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং থুংলরে, সেন্ত্রেল ফোর্সকী কম্পনি ৫০ থমবা মফম লেপথোকখ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- কেবিনেটকী কাংবুনা বিষ্ণুপুর জিলাদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগা উন্নখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মোর্নিং বেলদা- লাঞ্জেন্নবা মহেরোইশিংগী এদমিসন তৌনবগীদমক পেনেলনা থাজবা পীখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- দিল্লিদা শাবনা মরম ওইরগা জ্ন ১১ দগী হৌরগা মীওই ১৯২ লৈখিদ্রে হায়না এন.জি.ওনা ক্লেম তৌরি হায়বা পাউ অসি অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- লিচিংনা কুকি ৱিমেন য়ুনিয়ন জিরিবাম অমদি তমেংলোংদা ওপন লেট্টর ইখ্রে হায়না এনকর কলমদা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- খুৎলায় পায়বশিংনা জিরিবাম জিলাগী লৈঙাংপোকপীদা লৈবা পুলিস চ্যেক পোষ্ট মৈ থাখ্রে, দিমাপুর তমা লাকপা ত্রক কাংপোকপী

জিলাদা মৈ থাখ্রে, য়ুমশকৈশা নুমিৎতসু কাংপোকপী টাউনদা সি.আর.পি.এফনা শিজিন্নবা বস অমা মৈ থাখ্রে হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা- গভর্নরগা দি.জি.পি অমদি সেক্যুরিতি এদভাইজরগা উন্নদুনা ষ্টেট অসিদা তংদু লৈতাবা পুরকবা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------